# জি গাইদোন রোংমৈগী মথক্তা ইনক্কারি চথবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): ঙরাং থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা থাংমৈবন্দ তরুং খুলদগী জি গাইদোন রোংমৈ কৌবা কন্ট্রেক্টর অসিনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী লুপা ক্রোর ১০ লান্না কায়থোকখ্রে হায়বদু আই এম সীগী ওইনদি মদু অরানবনি হায়না ঙসি আই এম সীগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা আই এম সীগী ক্যেরটেকর মেয়র এল লোকেস্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, আই এম সীদা লাক্লিবা টাইপ ফন্দ অসি ১৫ ফাইনান্সতগী লুপা ৮,০৩,৫১,২৬৭ লাকই। মসিদা চাদা ২৫ দি ম্যুনিসিপাল লেভেলগী লুপা ২,০০,৮৭,০৮৭ নি। অদুগা লুপা ৬,০২,৬৩,৪৬০ গী মনুংদা লুপা ২২,৩১,৯৮০ না ৱার্দ অমমমদা থুঙই। অদুগা থোংগী রিটেনিং ৱালদনা লুপা ১১,১৫,৯৯০ না থোংগী রিটেনিং ৱাল শেম্বগী থাদখিবা শেলনি। অদুগা লেমহৌরিবা শেনফম ১১,১৫,৯৯০ অসিনা ৱার্দশিংদা দসবিন খিনবদা জি কে প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিনা ফার্ম অসিদা সপ্লাই তৌরগা থবক চথুরি অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক লোয়শিনদ্রি।

মসিদা এম এল এ জয়কিষননা লুপা ক্রোর ১০ অতিয়া বিল লৌথোকখ্রে হায়বদু মরম চাদবা ৱাফমনি।

মরকসিদা জি গাইদোন রোংমৈনা শোয়রম্বা অসি মহাক্না কোর্পোরেটর ওইরগা কন্ট্রেক্টর ওইরম্বা অসি মাগী অশোয়বনি। অদুগা মাগী দোক্যুমেন্টদা শাশিন্নবা য়াওরম্বা অসি মহাক্কী অশোয়বনি। মহাক্না শাশিন্নরল্লিবা অসি জি গাইদোন রোংমৈ হায়বগী মহুত্তা জি জি রোংমৈ হায়রগা কন্ট্রেক্ট তৌরম্বা অসিনি।

অদুগা মেয়রনা দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়বা অদু কম্মিটিগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌরগা দিপার্টমেন্ট অমদি ওথোরিটিদা মাগী দিসক্কালিফাই তৌবগী চেদু শোয়দনা লাকচগনি।

অদুগা জি জি রোংমৈনা ৱার্দ ২৭ তা শেল লোয়না কায়থোকখ্রে হায়বগী ৱাফম লৈতে। মহাক্না তৌরল্লিবা কন্ট্রেক্ট অদু ৱার্দ নম্বর ২৩ অমসুং ২৪ খত্তনি। জি গাইদোন রোংমৈনা লুপা ক্রোর ১০ লৌথোকখ্রে হায়বসি অচুম্বা ৱাফম নত্তে হায়না হায়খি।

# আর কে বিদুর ইবা, ক্রিটিক তৌবা পামজখিবা মীশকনি ঃ রতন থিয়াম

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): লৈখিদ্রবা আর কে বিদুর ইবা য়াম্না পামজবা অমসুং ক্রিটিক ওইবসু য়াম্না পামজখিবা মীশক অমনি হায়না মণিপুরগীদা নত্তনা মালেমগী থাক্তগা শক্লাইরবা থিএটর পর্সনেলিটি রতন থিয়াম (চ্যেরমেন, কোরস রেপরটরি থিএটর) না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্কী মায়চৌ তরেৎকী শঙলেনদা মণিপুর ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এন্দ ক্রিটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা আর কে বিদুরগী অহানবা নীংশিং থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা রতন থিয়াম্না হায়, মতমদুদা হিন্দি ফিল্ম ঙাক্তা ওইরবসু ফিল্ম য়েংবসু য়াম্না পামজবা অদুগা ফিল্মগী মতাংদসু য়াম্না নৈনজখিবা মীওইনি। ইবা পামজবা অমা ওইখিবনা পূন্না পূন্না চৎমিন্নদুনা হোৎনমিন্নখি। ইবা অমসুং ক্রিটিক তৌবদা পামজখিবনা মহাক শকখঙলবা ফিল্মগী ক্রিটিক অমা ওইখি হায়না শীংথাখি।

এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মনিন্দ্র কোন্সমনা থৌরম অদুগী ময়ায় তাংবল লৌরগা নেসনল ফিল্ম ক্রিটিক শ্বর্নকমল এৱার্দি মেঘচন্দ্র কোংবম অমসুং হান্নগী সিনে ক্লবকী মেম্বর থৌনাওজম কিশোরচান্দনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা আর কে বিদুরগী মীতমদা লৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি অদুগা 'য়াম্বুংদা কৎচবা' হায়বা সোভিনিয়র অমসু ফোঙখি।

# পোজিটিভ কেস ১ থেংনবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদগী অদুমক হোংদনা লৈরি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,৩৭,২৪২ শুরে। মসিগী মনুংদা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫,০১৪ য়াওরি। অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১২১নি। মসিগী মনুংদসু মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫,০০৭ য়াওরি। অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ২৮৭২ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কাপথোকখিবা অপূনবা দোজগী মশীং ২৯,১২,৪৩৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজগী মশীংনা ১৫,৭৪,৮৭৯নি অদুগা প্রিকোসন্নরি দোজনা ৯৯.৫০৪নি হায়রি।

# মার্ক হাওকিপ জেলদা ...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনখি। অদুবু পুলিস পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা কোর্ট রুমদা পুশিনখিবদা থোমজিল্লকখিবা নুপী মীয়াম্না মহাকপু মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়দুনা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউখি।

নুপীশিং অদুগী মরক্তা য়াওখিবা কবুই মাদর এসোসিএসনগী লুচিংবীশিংনা মার্ক হাওকিপনা ফ্রীদম ফাইটর রানি গাইদিনলিয়ুবুসু ইকায় ফিরুক খুমহন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবনি হায়দুনা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউখি।

পনবা য়াবদি, মহাক ফাখ্রবা মতুংদা চীং অমসুং তমগী লূপ ১০না মহাক্কী মায়োক্তা লেপ্পকখিবনি। খ্বাইদগী অঙকপা থৌদোক অমনা মহাকপু কোর্টতা মমাঙথক্তা অনীরক পুথোকখিবদা মহাক্কী মায়কৈদা লেপকদবা উকিলশিং লাকখ্রবসু ঙসিগী ওইনদি মহাক্কী মায়কৈদা উকিল অমত্তনা লেপখিদে।

অমরোমদা, মহাকপু ঙসি জুদিসল কষ্টদিদা কোর্টনা রিমান্দ তৌখ্রবা মতুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা পুলিসনা মঙোন্দা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন/এগজামিনেসনগী মতুংইন্না মঙোন্দগী ফাগৎলকপা ইলেক্ট্রোনিক অমসুং দিজিটেল রেকোর্দশিং ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদা এগজামিন তৌরগনি হায়খি। মহাক অমসুং মহাক্না লোয়নবা মীওইশিংনা কুকিলেন্দ অমগী পান্দমদা অমগা অমগা নুংশিনহন্দবা অমসুং ভাইওলেন্সকী থবকশিং চথনবা থৌরাং তৌরম্লে হায়বসু খঙবা ঙম্লে। মহাক্না লৈবাক অসিগী পাসপোর্ট লৌনবগীদমক এপ্লাই তৌরকপদা শেমজিন শাজিনবা চে চাংশিং শীজিন্নরে হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# খুল্লক লৈরক্কী লম্বী নত্তে হায়ৱেনি...

*লামায় ১গী মখা...* নাক য়েৎতা লৈরিবশিংনা ফুট ৪০০ রোম থাদোক্তুনা হান্না লৈরম্বা য়ূম-কৈ অমদি দুকান্নচিংবা থুগাইখ্রবনি। মতম অদুদা মীয়ামগী মীৎতগী পি তাদুনা ৱাকৎ মীফম ফল্লগা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ফাওবা লৈখিবনি। অদুবু হৌজিক পাকথোকহল্লল্লিবা অপাকপসি উরগদি থুগাইরমদ্রবসু য়ারম্মী। মরম অদুনা মসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টরগা তান্নরগা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা খঙহল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, নোং চুদুনা অপনবা পীদ্রবদি এন ঐচ-২ পরিংদা এন ঐচ আই দি সী এলনা হৌজিক পায়খৎলিবা লম্বী শেম্বগী থবক অসি থা ১গী মনুংদা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা নুংঙাইবা লম্বী চৎহনবা ঙল্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি কম্পেনি অসিনা শেমগৎলক্লিবা লম্বীগী ফীভমগী মতাংদা পাউমী কাঙবু অমগা কম্পেনি অসিগী ওফিসলশিংগা উন্নবদা ফোঙদোরকখিবনি।

হায়ৱে পরিং অসিগী মফমশিংদা শেমগৎলিবা লম্বীগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা মখা তানা হায়, মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসিগী মফম খরদা কোয়লাস কায়বা য়াওবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং য়েংলগা মতম খরগী মমাঙদগী শেমজিনবা হৌরকখিবনি। অদুবু হন্দক চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা মতম খরা লেপ্লুরে। হৌজিক্তি নোং হাংদোরকপদগী অহেনবা মেছিন অমদি লেবরশিং শীজিন্নদুনা লম্বী শেম্বগী থবক অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। হন্দক্কী নোং অদুনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী ইরং থোং তৎখিবদগী জিরিবাম লম্বীদা চৎলম্বা গাড়ীশিং য়াওনা অতৈ গাড়ীশিং পুল্লপ হায়ৱে অসিদা চৎনরকপনা খুদোংচাদবদি মায়োক্লরি। অদুবু কম্পেনিগী মায়কৈদগী লম্বী শেম্বগী থবক অসি অথেংবা ফাওবদা শুরে। হৌজিক লৈরিবা থবক শুবগী প্রোগ্রেসশিং অসি য়েংলগা নোং চুদ্রবদি লম্বী শেমজিনবগী থবক অসি থা অসিগী মনুংদা লোইশিনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইনা লম্বী শেম্বীগনু ...

*লামায় ১গী মখা...* মফম অসিদা অথুবা মতমদা ৱাল মতেক অমা খানবা হৌজিক য়োৎ য়ুংদুনা হৈগৎপা হৌরে। লোং টর্মগী ওইবা মফম অসিদা থোং অমা শানবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা প্রপোস থাদুনা লৈরে। অদুগা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু তৌবা য়াবা থবক অদুদি সেন্টরদা কন্না তকশিনবগী থবক চথুরি।

ঐখোয়না থেঙনরিবা খুদোংচাদবা অসি মমিংদা পি দব্লিয়ু দি হায়রগা থবক অয়াম্বা এন ঐচ আই দি সী এলদা থবক অয়াম্বা চাদা ৮৫ পীথোকখ্রে। মরম অদুনা এন ঐচ আই দি সী এলনা থবক অসি ঙৈহাক-ঙৈহাক্কী ওইবা থবক শুবগী মওং অদু তৌবীগনু। মণিপুরসি অয়াম্বা নেসনল হায়ৱে নম্বর ২ অমদি ৩৭ দা পুশিল্লকপনি। হায়ৱে নম্বর ৩৭ য়াদবনা হৌজিক গাড়ী অয়াম্বা হায়ৱে নম্বর ২ দা চঙলকপনি। অদুনা মরম ওইদুনা লম্বী অসিদা পোৎ অরুম্বা পুবা গাড়ী কয়া লেপ্তুনা চঙলক্লি।

মখোয় মফম অসিদা থিকা তৌবা লাকপগী মওংদা থবক শুবগী মওং তৌবীগনু। থিকা কাঙবুনা থিকা কাবুক-কাবুক তৌরল্লগা মতুংদা লাকপা কাঙবুনা অমুক তৌখিগনি হায়বগী মওংদা তৌবীগনু। এন ঐচ আই দি সী এলনা পায়রিবা মতম অসি ফাওবদি থবক নিংথিনা তৌবীনবা হায়খি। থা অমগী মনুংদা থংনা থংননা এক্সিদেন্ট ৩ থোক্লকপা অসি লায়বক থীবনি।

দ্রাইভরশিংনা মাওদা চাক-ঈশিং চারগা উইরুম উইরুম গাড়ী থৌরগা হায়থরকপদা অঙম্বা মতেক অসিদা স্পিদ ব্রেকর থম্লগদি গাড়ীগী স্পিদ খরা হন্থনবদা গক-গক চোংলগসু মীৎশিং নাশিংলনি। এন ঐচ আই দি সী এলগী অশোয়বা ময়াম অমা লৈরে অদু লৈতনবা মখোয়দা খঙহনবনি। এন ঐচ আই দি সী এলগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর বুগুলচন্দ্র দাশনা ফোঙদোকখিবদা রেটিনিং ৱাল সেপ্টি মেজর, চাইনিজ জেব্রা ক্রোসনচিংবা থম্বা য়াম্না মরু ওই। নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা মখা তানা মফম অসিদা এক্সিদেন্ট থোক্তনবা থবক কন্না হোৎনরি।

মিনিষ্টরনা হায়, ঙসি মখোয়না ঐখোয়দা পীরিবা কম্মিটমেন্ট অসি থবক ওইনা উৎলব্রা হায়বদু মফম অসিদা মহাক অমুক হন্না লাল্লগা য়েংশিনগনি হায়খি।

# লুপা ক্রোর ৬ লোমগী সনা ফাবদা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাগৎখিবনি। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা চথুরকখিবা ইন্টরোগেসনগী মতুংইন্না ফারবা ইবুংঙোবী শিলোংদগী ইম্ফালদা এপ্রিল ২০দা হল্লক্লগা অৱাং খুনৌদা লৈবা য়ূম অমদা লেকখিবনি। মহাকপু রোকি কৌবা মীওই অমনা এপ্রিল ২৪দা দেল্লী চৎনবগীদমক ফ্লাইট টিকেট বুক তৌনবা খঙহল্লখিবনি হায়রি।

ৱাফম অসি এপ্রিল ২৩দা মঙোন্দা খঙহল্লম্বা নুমিৎতুমক্তদা রোকি হায়রিবা মীওই অসিগী পাউতাক্তগী ইবুংঙোবীনা শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা চৎখি। মফমদুদা রোকিনা মঙোন্দা অইবা চেরোল অমা পীরল্লগা মী অমা উন্ননবা খঙহল্লকপদগী চে অদুমক মহাক্না কৈশামথোংগী মফম অমদা মীওই অমদা পীরবা মতুংদা মীওই অদুনা মঙোন্দা সনাশিং য়াওবা লগেজ অদু পীরকখিবনি হায়রি।

অদুবু এয়র এসিয়াগী এসিষ্টেন্ট সিক্যুরিটি ওফিসর অসিনা লগেজশিং চেক তৌবগী থবক অদুদা মহাক্না পাঙথোকফম থোকপা মথৌগী ওন্ন-তৈননা লোন্না সনা পুনবা হোৎনবা অদুদা লৌতুনবা য়াওরম্মী হায়বগী চার্জদা মহাকপু ঙরাং পুলিসনা ফাগৎখিবনি হায়রি।

# কন্ত্রেক্টর ওইরম্বা আই এম সীগী...

*লামায় ১গী মখা...* পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.২৬ লোম তারকপদা রিমসকী রেদিওলোজি দিপার্টমেন্টতা পেসেন্ট অমগী এম আর আই/সী টি স্কেন লৌননবা হোৎনরুবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন ওইরিবা লৈত্রাম অৱাং লৈকায়দগী নিংথৌজম সমরেন্দ্র (৩৮) অপোকপা এন কোইরেং কৌবা ষ্টাফ অমনা পেসেন্ট পার্টিদা য়াওরকখিবাময়াংইম্ফাল বেঙ্গুনদগী অবদুল্লা ফুন্দ্রেময়ূম (৩৫) অপোকপা ৱালি ফুন্দ্রেময়ূম কৌবা মীওই অমদা খূৎ থাদুনা ফু চৈখিবা থৌদোক্তা মরী লৈননা লম্ফেল পি এসনা আই পি সীগী সেক্সন ৩২৫গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১০৭ (৬) ২০২২ লৌখৎখ্রে। লোয়ননা চেন্নরিবা লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন অদু ঙরাংমক ফাগৎখিবগা লোয়ননা ঙসি থা অসিগী ১৪ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখ্রে।

অদুম ওইনমক মহাক্কী মায়কৈদগী রিমান্দ ওবজেক্সন তৌরক্তুনা বেল প্রেয়র তৌরকপদগী কোর্টনা বেল পীখ্রে। অদুবু থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক্কী মথক্তা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং লৌখৎনবগীদমক রিমসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে দোঙেলনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমদা মহাকপু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

# ভিলেজ চীফ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈখিদ্রবা জি লহেম খোংসাইবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপদা শীজিন্নখিবা সিঙ্গল বেরেল ৩সু ফাগৎলে হায়রি।

ফারবশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা ভিলেজ চীফ জিলহেম খোংসাই খুল অসিগী ক্যেরটেকর চীফনি অদুগা অশেংবা ভিলেজ চীফনা নহা ওইরিবা নুপামচা অমনা ওইগদবনি হায়বগা লোয়ননা ইমুং মশেলগী মনুংদা চীফ কনানা ওইগদগে হায়বগী চয়েৎনবা লাকপদগী জিলহেম খোংসাইবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

মখোয় অহুম্মক ঙসি কোর্টতা পুথোল্লবা মতুংদা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

# ফোরেষ্ট ১সুং রেভন্যুগী লমশিংদা ১দি...

*লামায় ১গী মখা...* খন্ন-নৈনবা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাং, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট ডা. এ কে জোসি, কম্মিস্নর (ৱাটর রিসোর্সেস) টি রঞ্জিৎ, নামোইজম খেদা ভর্দা, (সেক্রেটরি, রেভন্যু), দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং, সব দিভিজনেল ওফিসরশিং, সব দেপ্যুটি কলেক্টরশিং অমসুং মন্দলশিংসু শরুক য়াখি।

ফোরেষ্ট অমসুং রেভন্যু দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অকক্লবা ফুরুপ অমখক্কী নত্তে। মখোয়না ফুরুপ-কাঙলূপ অমসুং লাইনীং লম্বেলগী খেন্নবা থিদনা মীয়ামগী থৌগল তৌগদবনি। লোয়ননা ওফিসল পূম্নমক্না পুকচেল শেংনা মনুং মপান নাইনা মণিপুরগী উমং অমসুং লৌবুকশিং কন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

লোয়ননা উমং অমসুং লৌবুকশিং কন্নবগীদমক লৈরিবা অকক্লবা এক্টশিং থবক্তা পাঙথোরকপা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীয়ামদা হায়রিবা এক্টশিং অসি ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। মণিপুর অসি কংফালগী শরুকশিংনা ইকোয় কোয়শিনবা অপীকপা ষ্টেট অমা ওইবনা লেন্দস্লাইদ অমসুং ঈশিং ঈচাওনচিংবা থৌদোকশিং হেক হেক মায়োক্লে হায়রদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লৌবুকশিং কন্দুনা ঐখোয়গী পোথোকশিংনা শীজিন্নবা কোন্ননবা হোৎনগদবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোরেষ্ট অমসুং রেভন্যু দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা লমশিংগী মনুংদা চয়েৎনবা য়াওরম্বা অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা দাগ চিথা পীথোল্লম্বগী থৌদোকশিংগী মতাংদা পল্লদুনা লোয়শঙ অনীসিনা মখোয়দা পীরিবা কাঙলোনশিং পরম চুম্না থবক্তা ওন্থোক্ল বগীদমক পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফম অদুদা ওফিসল খরগী মায়কৈদগী ফোরেষ্ট অমসুং এগ্রিকলচরেল লেন্দ মায় পাক্না কনবা ঙম্নবগীদমক মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং সজেসনশিংসু চীফ মিনিষ্টরদা থমখি। অদুগা হায়রিবা এক্টশিং অসি থবক্তা ওন্থোরকপদা মখোয়না থেংনবা খুদোংচাদবশিংসু পাউদমখি।

# জঙ্গল কটিং য়াওনা অৱাংবদা কারগা থবক...

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপদা লাইনমেন ২ কৈরাক্তগী তারক্তুনা লৈখিদবগী থৌদোক য়াওখ্রে। অৱাংবা কৈরাক কারগা থবক শুবদা শিনবাংদবা অমদি মেন পৱার ৱাৎপদগী কৈরাক পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবশিং থেংনরকপদগী মহাক্না মথক লোমদা ফুট ১৮ রোম ৱাংনা ইনখৎপা ঙম্বা ইলেক্ট্রিক্টকী বকেট ক্রেন অমা শাননবা হোৎনরকখিবনি। মসিগীদমক মহাক্কী নেনো কারগী মনিংদা বকেট ক্রেন থাঙ্গৎপা অমসুং থাদরকপগী মচাকশিং লাংশিন্দুনা এটেচ তৌবা হৌখি। য়োৎকী শরুক অয়াম্বা মণিপুরদগী ফংলগসু অপীকপা য়োৎলি/চ্যেন, পুল্লিং ইনোভেটর অসিদি মণিপুরদা ফংদবনা মপান্দগী ওনলাইনদা চেনখি। বকেট ক্রেন, মোটোর, সেফটি গ্যার বোক্স অমদি স্লো মোটোর শীজিন্নদুনা বকেট ক্রেন অসি মহাক্না শাবনি। ক্রেন অসিবু থাঙ্গৎপা অমসুং থাদরকপগী থবক্না নেনো কারগী বেটরিদগী মৈ লৌরবা মতুংদা ইলেক্ট্রিক্ট ওলহল্লগা শীজিন্নবনি। বকেট ক্রেন অসি শাবদা নুমিৎ ৫নি রোম চঙখি হায়রি।

কুমজা ২০২১দা য়োৎকী ফুট ২০ লোম শাংবা ফোলদিং কৈরাক অমসু শারগা শীজিন্নবা হৌখ্রে। অদুগা হৌজিক নৌনা পুথোরল্লিবা বকেট ক্রেন অসি শাবদনা পূন্না লুপা লিশীং ১৫ রোম চঙখ্রে হায়রি।

অহানবা ওইনা পুথোল্লিবা অসি শুপ্নতগী মী অমখক্তমক বকেট মনুংদা লেপ্পগা থাঙ্গৎপা অমসুং থাংথবা তৌরগা থবক শুননবনি। অদুবু মথংদদি য়ামদ্রবদা মী ৩ লেপ্পা চনবা অমসুং থবক পাঙথোকপা য়াবা খরা খজিক চাওখৎপা ক্রেন শারগনি হায়রি।

নাওরেম বালেশ্বরনা নেনো কারগী মনিংদা মী অমা লেপ্পা চনবা বকেট ক্রেন থাঙ্গৎপা অমসুং থাংথবা য়ানবগী চেনেল শেমদুনা পুথোল্লিবা অসিগী মতাংদা কম্পেনি অসিগী ষ্টাফশিংনা ফোঙদোরকপদা ম্যেন পৱার ৱাৎপদা নত্তনা মথৌ তাবা সেফটি বেল্ট, টুপি, ক্রেন ভেহিকল অমদি হেন্দ গ্লোবনচিংবসু পীবিদ্রি। তোলোপসু পীক্না পীবদা নত্তনা এমপ্লোয়ীশিংগী ইন্সুরেন্স স্কিম অমদি ঈ পি এফনচিংবগী খুদোংচাবসু অমত্তা ফংদ্রি হায়রি।

অদুম ওইনমক ফিল্ডদা মথৌ পাঙথোক্কদবা এম এস পি দি সী এলগী শিন্নীশিংনা জঙ্গল কটিং অমসুং ৱায়র তৎপা য়াওনা পোষ্টতা কাদুনা মথৌ পাঙথোরকপা মতমদা অচৌবা মতেং ওইরগদবা বকেট ক্রেন অসিবু শাদুনা পুথোরল্লিবা নাওরেম বালেশ্বর শুপ্নতগী ক্লাস ত্বেলভ ফাওবদং তমহৌরগা লাইরিক তম্বা তোক্তুনা অহল লমনগী মতেং পাংনবা থবক শুবা হৌরকখিবনি। মহাক হান্না গাড়ীগী ৱার্কশোপ অমদা থবক য়াওরল্লবা মতুং কম্পেনি অসিদা চঙলকখিবনি।

মচিন মনাও নুপা ৪, নুপী ১ পূন্না ৫গী মনুংদা মহাক্না ৩শুবনি। অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মমিংনা নাওরেম শ্যাম অমদি নাওরেম ওংবী লুক্রামনি কৌই। মহাক্না পুথোরল্লিবা বকেট ক্রেন অসি তশেংনমক হৌজিক্তি কম্পেনি অসিগী ফিল্ডদা মথৌ পাঙথোল্লিবা শিন্নীশিংগী অচৌবা মতেং ওইনরে হায়রি।

# মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোলশিংনা লৈতেংলবা...

*লামায় ১গী মখা...* লাক্লরি। তোঙান-তোঙানবা লমকোয়বশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরবা মফম কয়া অমসু শেমগৎপা য়ারিবা লিয়াই খুল্লেনবু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা মীৎয়েং চঙবীনবা খুল অসিগী মীয়াম্না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিন্নহৌরি।

মীওই কয়ানা খুল কয়াদা উমং কোকথোক্তুনা পোপি পাম্বী থাবা য়াওরবসু উমং য়োকখৎপগী অচেৎপা ৱাখল্লোন চেনবা খুঞ্জাশিংগী হোৎনজমননা কালেন থাগী মতমদা নীংথম থাগুম্না লৈচিল থাদুনা মসিগী ফজবশিং উবা ফংবা অমদি অশেংবা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংদুনা, শারবা কালেনগী মৈশাবু খজিক্তং ওইরবসু লমকোয়বা কয়ানা লাক্তুনা পোত্থাফম ওইরিবা খুল অমনি লিয়াই খুল্লেন।

কালেনগী শারবা মতমদা অমুক্তং লাকখ্রবা লমকোয়বা কয়াগী থম্মোয়বু হুবা ঙল্লিবা খুল অসিদা তাঙনা ফংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিংগী মনুংদা হৌজিক মীয়াম্না য়াম্না য়েংবা লাক্লরিবা, পাক শন্না হৌরিবা ফীট ৮দগী ৯ ফাওবা ৱাংবা, খুঞ্জাশিংনা 'বৈভোলি' হায়রিবা লৈ অসিনি। সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর লিশীং ২,৫০০ রোম ৱাংবা খুল অসিগী চীংশাং পরিংদা শাৎলিবা লৈ মখল অসি মে অমদি জুন থা খক্তদা শাৎলি, পূক্লিং হুনা ফজবা, নুংশিবা লৈনম চেনবা অমদি চয়োল অনীরোম খক্তং শাৎলগা কেনখিবা লৈ মখল অসি মণিপুরগী ওইনসু অতোপ্পা মফমশিংদা য়াম্না তাঙনা শাৎলি।

লিয়াই খুল্লেনগী ভিলেজ চীফ ইশাক কাসিনা ফোঙদোরকপদা লিয়াই খুল্লেন অসি মশাগী পুৱারী লৈজবা মফম অমনি। খুল অসিদা বৈভোলি খক্তা নত্তনা ঈশিং চাইবী, হেক্টর ৪/৫দা অচৌ অচৌবা য়ূমগুম্না চাওবা নূঙজাওশিংখক্তা লৈবা, মমাঙঙৈগী নিংথৌনা লৈরম্বা য়ূম অসিনচিংবা য়েংবদা পূক্লিং হুরগদবা মফম কয়া লৈরি। বৈভোলি অসি কুমজা ২০১৮গী মতমদগী খুল অসিগী চীংশাং পরিংদা পাক শন্না শাৎপা অসি খুঞ্জাশিংনা থেংনরকখিবনি। অদুবু হৌখিবা চহী ২ রোমসিদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা খুল অসিদা তাঙনা শাৎলিবা লৈ অসিগী ফজবা অসি মীয়াম্না য়েংবা ফংলমদে। অদুবু চহী অসিদদি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং অমদি অতোপ্পা ষ্টেটতগী মীওই ৫০০/৬০০ হেন্না লাকখ্রে। লমকোয়বা কয়ানা খুল অসিদা লাকপা অসিনা খুলগী নহা অমদি মীওই কয়াগী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং পীবসু হৌরে।

লৌউ-শিংউ তৌবনা মপূং ওইবা শিনফম ওইবা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংবু চহী চূপ্পা শেন্থোক লম্বী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্না খুল অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লমকোয়বশিংগী মীৎয়েংফমশিং নিংথিনা শেমগৎপীবা, লমকোয়বশিংগী লৈফম্নচিংবা নিংথিনা শেমগৎপীবা অমদি উখুলগী শিরুই লিলি, মাওগী চেরি ব্লোজম ফেষ্টিবেলগুম্না 'বৈভোলি' লৈগীসু ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোকহন্নীংই হায়না লিয়াই খুল্লেনগী ভিলেজ চীফ, ইশাক কাসিনা ফোঙদোরকখি।

# এম এল এ , টি ঐচ শ্যামকুমারগী এসেটকী গ্রোস টোটেল ভেল্যু ...

*লামায় ১গী মখা...*একাউন্টদা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা অমত্তা য়াওখিদে। অহুমশুবদা ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবদা লুপা ২,৫৩,৯৩৮ লৈখি। মরিশুবদা ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৪ ফাওবদা লুপা ১৫,০৭৫ লৈখি। মঙাশুবদা সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী একাউন্টদা কুমজা ২০১৯গী মার্চ ৩১ ফাওবদা লুপা .০১৩ লৈখি। তরুকশুবদা এল্লাহাবাদ বেঙ্ককী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৭ ফাওবদা লুপা ৫,৫৭৭ লৈখি। তরেৎশুবদা য়েস বেঙ্কগী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি অমা ফাওবদা লুপা ৫৫,৪৩৯ লৈখি। নিপানশুবদা ইন্দিয়ন ওভরসিজ বেঙ্ককী একাউন্টদা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ২১ ফাওবদা লুপা ১০,৯৩৬ লৈখি। মপানশুবদা এম এস সী বি লিমিটেদকী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ৩১ ফাওবদা লুপা ২০,০০০ লৈখি। তরাশুবদা ঐচ দি এফ সী বেঙ্ককী একাউন্টদা লুপা ১০,০০,০০০ লৈখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবী থৌনাওজম ওংবী ববিতাগী এস বি আইগী একাউন্টদা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ২৫ ফাওবদা লুপা ৮,৩২৩ লৈখি। অনীশুবদা ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা কুমজা ২০২১গী এপ্রিল ১ ফাওবদা লুপা ৩৩,৪২২ লৈখি। অহুমশুবদা ঐচ দি এফ সীগী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৪ ফাওবদা লুপা ১৭,১১৩ লৈখি। মরিশুবদা এল্লাহাবাদ বেঙ্কগী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৯ ফাওবদা লুপা ১৭,৮৭০ লৈখি। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১৭দা চাওরাক্না লুপা ১৮,০০,০০০ লোম ওইগদবা মহিন্দ্র এক্স য়ু ভি-৫০০ অমা লৈখি। কুমজা ২০১৯দনা চাওরাক্না লুপা ৩৫,০০,০০০ রোম ওইগদবা টোয়োতা ফোরচুনর অমা লৈখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা কুমজা ২০১৫দা চাওরাক্না লুপা ১১,০০,০০০ লোম ওইগদবা হোন্দা সিটি কার অমা লৈখি অমদি চাওরাক্না লুপা ১,৫০,০০০ রোমগী সনা সন ১০ লৈ। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গন ওইনা দবল বেরেল অমা লৈ। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদসু লাইসেন্স গন ওইনা দবল বেরেল অমা লৈ। এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারগী এসেটকী গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসি লুপা ৬৭,০৮,৬০৭ লৈখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীনা গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসি লুপা ১৩,৫৩,৭২৯ ওইখি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচর লেন্দ ওইনা মতাইদা একর ০.৪২; মোইরাংপুরেলদা একর ০.৬৪০০০; একর ০.৭০০০০; মতাইদা একর ০.৬২; হুইকপতা একর ০.৪৭০০০; তোপ চিংথাদা একর ০.৬৪০০০; মতাইদা একর ০.২০০০০; চিংথাদা একর ০.৫০০০০ অমদি তোপ চিংথাদা একর ০.৯৯ লৈ। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা মতাইদা একর ০.৬২; অংথাদা একর ০.৭১০০০; মোইরাংপুরেলদা একর ০.৬২০০০; একর ২.০৫০০০; অন্দ্রোদা একর ০.৭১০০০; নুংকোৎতা একর ১.৬৫০০০; একর ২.১৫০০০; তোপ চিংথাদা একর ০.৬৭৫০০; একর ১.১৯০০০; একর ০.৮৫৫০০; একর ০.৫৭৫০০ অমদি একর ০.২৭৫০০ লোম পাকচাওবা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং লৈ। মহাক্কী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা মোইরাংপুরেলদা স্কৱার ফিট ৮১৪৫৭.২; স্কৱার ফিট ৬২৭২৬.৪; হুইকপতা স্কৱার ফিট ২৩৫২২ অমদি উরিপোক্তা স্কৱার ফিট ৫২৭.০৭৬ লৈ। লোয়ননা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংদা য়াম্লেমদা একর ০.১৪০০০ অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা একর ০.৬২ লোম পাকচাওবা লৈ। অদুগা ইনভেষ্টমেন্টদনা পুন্না লুপা ৫৩,১৭,১৫০ অমদি মহাক্কী লোয়নবীগীনা পুন্না লুপা ২,৩৯,৮২,৬৪৪ তৌবগী রিপোর্ট য়াওরি। মহাক্কী টোটেল ওফ মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ৮১,২০,৯৮৯ ওইখি অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগীনা লুপা ২,৫৫,৩২,৬২৪ ওইখিবগা লোয়ননা মহাক্কী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইবিলিটিজনা লুপা ২৩,৮৭,২০০ অমদি লোয়নবীগীনা লুপা ৩১,৬৫,৯৭১ ওইখি হায়রি।

মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অনী লৈ। মহাক্কী কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রির্টর্ন ফাইলগী রেকোর্দকী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি লুপা ৯,২২,৬৯০ অমদি মহাক্কী লোয়নবীগীসু চহী অসিমক্তদা লুপা ২,৯৫,৫২৫ ওইখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

স্বাইদগী শাবা ৩৬.৮৩°C
স্বাইদগী ঈংবা ১৬.০২°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৫৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৩

FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.650777 |
| US Dollar | 77.730421 |
| British Pound | 97.463002 |
| Australian Dollar | 55.707398 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.641454 |
| Japanese Yen | 0.580963 |
| Malaysian Ringgit | 17.694126 |
| Singapore Dollar | 56.511634 |
| South Korean Won | 0.061869 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.728112 |
| Thai Baht | 2.252887 |

## GAS NEWS

**M/S R & H Indane Service Irilbung**
Only Home Dellivery
**Booking Upto01/04/22**
Valid from 20/03/2022
**Stock 306 nos.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/ Call Time 8am to 12 noon Sunday closed

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**TDK GAS**
**BK. UPTO 07/04/22.**
VF. 04/04/22.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**MAHALAKSMI INDANE GAS,**
**BK. UPTO 10-5-2022,**
valid from 25-4-2022,
Home delivery only,
Plz. cont. office nos.
# 9366590870, # 9862312969, # 8787326327,
Timing : 10 am to 12 noon.
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-23-03-2022,**
VALID FROM 28-02-2022,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM..

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English
AVIATION COURSES 2nd Batch –10th Jun, 22
Cabin Crew
Ground STAFF

Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience · 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer · Multiple Schools & Colleges · 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
3 mths at IT Call Centre as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur) · As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)
Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7620-24April to 22 June (alt.)